# টেররনা শ্রী লঙ্কাগী ৱাখল–থৌনা মায়থীবা পীবা ঙম্লোই হায়না শ্রী লঙ্কা খোঙচৎতা পি এম মোদিনা ফোঙদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** ঙসি অয়ুক শ্রী লঙ্কাগী কোনূং কলম্বোদা থুংখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খোঙচৎকী থৌরমদা য়াওদবা মফম, ইষ্টর সন্দে টেরর এটেকশিংদা শোকখিবা চর্চশিং অদুগী মনূংদগী অমদা চৎখ্রে।

টেররগী পাঙদবগী থবকশিং অদুনা শ্রী লঙ্কাগী ৱাখল থৌনাবু মায়থিবা পীবা ঙমলোই। ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাগী মীয়ামগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা লেপ্লি হায়না লৈখিদ্রবশিংদা ঈকাইখুম্নবা উৎলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

তমথিরবা টেরর এটেককী খুদোঙথিবা মায়োক্লখ্রবা লৈবাক অসিদা লাকপদা নরেন্দ্র মোদিনা অহানবা মীরৈবাক– লূচীংবনি।

ইষ্টর সন্দে এটেকশিং অদুদা মীওই ২৫০ হেন্না শিখি। এটেক অদু মফমদুগী জিহাদিস গ্রূপ অমসুং আই এস আই এস এফিলিয়েট নেসনেল থোৱহীদ জামাথনা চখবনি হায়না গ্রূপ অসিনা মশানা ফোঙদোকখ্রে।

কোছিকাদেদা লৈবা সেন্ট এন্থোনিজ শ্রাইনদা চৎলুরবা তূংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি– শ্রী লঙ্কানা অমুক হন্না হৌগৎলক্কনি হায়বসিদা ঐনা থাজে। টেররগী পাঙদবা থবকশিংনা শ্রী লঙ্কাগী ৱাখল – থৌনাবু মাথিবা পীবা ঙমলোই। ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কা মীয়ামগীদমক অমত্তা ওইনা লেপ্লি।

মালদিবসতা চৎপা খোঙচৎ অমগী মখা তারকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক কলম্বোদা থুংলখিবনি। অখন্নবা ঈকাইখুম্নবা উৎপা অমা ওইনা লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেনা মহাকপু কলম্বোগী বন্দরানায়কে ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা ওকখি।

এয়ারপোর্টতা থুংলবগী মতূং থুনমক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু প্রসিদেন্ট’স সেক্রেটরিয়েটতা ওফিসিয়েল ওইনা তরান্না ওকখি। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপলা সিরিসেনানা ছতিন পায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টরবু অমসুং মহাক মশামকপু নোংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনখি।

নোংমাচুপ্পগী খোঙচৎ অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা শ্রী লঙ্কা প্রাইম মিনিষ্টর রনিল ৱিক্রেমেসিংঘে অমসুং ওপোজিসন লিদর মহিন্দ রাজাপক্সাগসু উন্নগনি। মরুওইবা তামিল পার্টি– দ তামিল নেসনেল এলায়েন্সকী মীহুৎ কাংবু অমনসু মহাকপু উন্নরবা য়াই।

ঈথৎ লৈবকশিং অসিদা চিনাগী শক্তিঃ হেন্না পাকথোক– চাওথোক্লককখিবগা শ্রী লঙ্কা অমসুং মালদিবসতা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী খোঙচৎ অসি লাকখিবনি।

# পাকিস্তানগী সিন্ধ প্রোভিন্সতা ঐস আই ভি অনাবশিংগী তঙ্খাই হেনবদি লায়েংদনা লৈ ঃ ঐস দবলিয়ু ও



***কারাচী, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** পাকিস্তানগী খা থাংবা সিন্ধা প্রোভিন্সতা ঐস আই ভি নারে হায়না লাইওং লেপ্পবা মীওই ৭৫১গী তঙ্খাই হেনবদি, ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (ঐস দবলিয়ু ও)গী মতূং ইন্না লায়েঙদনা লৈ হায়রি।

চহী অসিগী মে থাদা লারকানাদা চাংয়েং চখিবা মীওই ২১,৩৫৭কী মনূংদগী ঐস আই ভি পোজিটিব ওইবশিং মশক খঙদোকখি অমসুং মখোয়গী মনূংদা মশাগী চহী ২দগী ১৫ ফাওবগী মনূংদা লৈব অঙাং ৬০৪ য়াওরি।

ঐস আই ভি থোক্লকপগী কেসশিং য়েঙশিন্নবা পাকিস্তানদা লৈরিবা দবলিয়ু ঐস ও এক্সপার্টশিংনা পীবা রিপোর্ট অমনা সিন্ধ প্রোভিন্সদা ফংলিবা অনাবশিংগী তঙ্খাই হেনবদি করিগুম্বা মখলগী লায়েঙবগী খুদোঙচাবা অমত্তা ফংদনা লৈ হায়রি।

ঐস আই ভি ভাইরস পোজিটিব ওইরবা মীওই ৭৫১গী মনূংদা ৬০৪দি অঙাংশিংনি হায়না দবলিয়ু ঐস ও টিম অদুনা হায়খি।

রিপোর্ট অদুগী মতূং ইন্না ভাইরসনা শোক্লবা অঙাং ৬০৪ লৈবদা ২৪০ খক লায়েঙবা কোন্নবগী হিদক্কী ষ্টোকখত্তমক লৈবা মরমনা পাকিস্তাননা ঐস আই ভি পোজিটিব ওইরবা অঙাংশিং অদুগী লায়েঙনবগী মতিকচাবা হীদাক– লাংথক পীবা হায়বসি অচৌবা শীংনবা অমা ওইরি।

তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা ঐস আই ভি পক্লবা অঙাং ২৪০ অদু লায়েঙনবা শিজিন্নরিবা হিদাক্কী ষ্টোকশিং অদুসু সুপ্নগী জুলাই ১৫ ফাওবা খত্তমক কোন্নগনি।

এপ্রিল ২৫দা ঐস আই ভি শন্দোক্লককপগী অহানবা থৌদোক ফংখিবনি অমসুং মদুগী মতূংদগী এপ্রিল ২৮দগী অচৌবা ঐস আই ভি স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম অমা চখবা হৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মুজাফর ঘানগ্রো কৌবা দোক্টর অমনা মাগী ক্লিনিকতা ইনফেক্তেদ নীদলশিং শিজিন্নবদগী ঐস আই ভি ভাইরস অদু শন্দোক্লকখিবনি হায়বা চীংনবদগী ফাখি।

অদুবু সিন্ধ পুলিসকী জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা দোক্টর অদুনা ভাইরস অদু মীয়ামদা অতন্নলা নাহনবা নৎতে, অদুবু দোক্টর অদু মশামক ভাইরস অদুগী মরুওইবা হৌরকপা অমনি হায়বা ফঙখি।

## GAS TODAY

| | |
|---|---|
| **Manipur Gas** | |
| Booking | : 31/05/19 |
| Valid | : 17/0519 |
| Stk | : 918 |
| Time | : 07.30 to 09.30 a.m. |
| **Maibia Gas, Moirng** | |
| Booking | : 02/05/19 |
| Sl. No. | : 7700 |
| Valid | : 27/04/19 |
| Sl. No. | : 6941 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m. |
| **Lamsang Gas Agency** | |
| Booking | : 13/05/19 |
| Valid | : 09/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| **Hiyangthang Indane** | |
| Booking | : 30/04/19 |
| Sl. No. | : 700 |
| Valid | : 23/04/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| **K & K Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.30 to 11.00 a.m. |
| **M M Gas** | |
| Booking | : 23/05/19 |
| Valid | : 18/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.00 to 10.30 a.m. |
| **Mahalakshmi Indane** | |
| Booking | : 26/05/19 |
| Sl. No. | : 257600 |
| Valid | : 19/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 06.30 to 10.30 a.m. |
| **Hrangchal Gas Agency** | |
| Booking | : 16/05/19 |
| Valid | : 14/05/19 |
| Stk | : 306 |
| **T D K Gas, Sekmai** | |
| Booking | : 28/04/19 |
| Valid | : 18/04/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.30 to 10.30 a.m. |
| **Misao Gas Service** | |
| Booking | : 31/05/19 |
| Valid | : 10/05/19 |
| Stk | : 612, 19kg Available |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m. |
| **Canchi Service Indane** | |
| Booking | : 08/05/19 |
| Valid | : 04/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 08.00 to 10.30 a.m. |
| **Heingang Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Valid | : 29/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| **Khongnang Gas, Bisnupur** | |
| Booking | : 23/05/19 |
| Valid | : 13/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.30 to 10.00 a.m. |
| **G B D Indane** | |
| Booking | : 30/04/19 |
| Valid | : 12/04/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.00 to 10.30 a.m. |

# গভর্ণমেন্ট অমসুং দিফেন্স ফোর্সশিংনা মাঙখ্রিবা এ ৩২ এয়ারক্রাফ অদু ফংনবা চোকথবা লৈতনা থিবগী থবক চংশিল্লি ঃ ভি কে সিংহ



***ন্যু দিল্লি, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** ঙসিগা থানা নুমিৎ ৭নি শুরবা মতূং ফাওবদা মাঙখ্রিবা এ এন ৩২ এয়ারক্রাফ অদুগী মতাংদা করিগুম্বা লিখুন অমত্তা ফংদ্রি। প্লেন অদু মফম কদাইদা লৈবগে হায়বদু খঙনবা গভর্ণমেন্ট অমসুং দিফেন্স ফোর্সশিংনা চোকথবা লৈতনা থবক চংশিল্লি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, জেনরেল (রিটয়ার) ভি কে সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

আই এ এফ পার্সোন্নেল ১৩ তোংখিবা এয়ারক্রাফ অদু জোরহাতগী পাইখৎখ্রবা মতূং নিংথৌকাবগী নুমিৎয়ুংবা মতূংদা মাঙখিবনি। প্লেন অদুনা অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা মেনচুকা এদভান্স লেন্দিং গ্রাউন্দ তন্না পাইখিবগী লম্বীদা নুংথিল পূং ১ রোম তাবদা গ্রাইন্দ ওথোরিটিজগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

লান্মী অমা ওইনা ঐহাক্না থৌনাফরবা মীওই ১৩ অদুগী ইমূং–মনূংশিংদা নুংশিবা অমসুং থম্মোয় শোকপা ফোঙদোক্লি। ঐনা নখোয় পূন্নমক্কা লোয়ননা লাই খুরুমজরি। ঐখোয়গী গভর্ণমেন্ট অমসুং দিফেন্স ফোর্সশিংনা খুদোঙ থিনিংঙাই ওইরবা ঈশিং– নুংশিৎকী ফিভমশিং, মরুওইনা লম্মিৎ–তুম্মিৎকী শীংননিঙাই ওইরবা ফিভমদা এ এন ৩২ এয়ারক্রাফ অদু ফংনবা চোকথবা লৈতনা চংশিল্লি হায়না হান্নগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ অদুনা ত্বিট তৌখি।

হৌজিক ফাওবদা মাঙখিবা প্লেন অদু ওইরম্বা য়াবা অমত্তগী মশক উবা ফংদ্রি। নুমিদাংদসু অতোপ্পা মখলগী সেনসরশিংনা থিব–হুম্বগী মিসনশিং পাংথোক্কনি।

অরুনাচল প্রদেশতা প্লেন অদু মাঙখ্রবগী তূংদা ৫নি শুবা নুমিৎতা এন টি আর ও সেটিলাইটশিংগা লোয়ননা গ্লোবেল ৫০০০ সরভিলেন্স এয়ারক্রাফ অমসুং নেভিগী পি –৮১ এয়ারক্রাফশিং শিজিন্নদুনা এয়ার ফোর্সনা এ এন ৩২ ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ অদু লৈরিবা মফম অদু খঙনবা থবক কয়ামরুম পাকশন্না চখরি।

মসিদগী হেন্দোক্তুনা এস য়ু –৩০ এম কে আই কম্বেট এয়ারক্রাফ, সি –১৩০ জে স্পিসিয়েল ওপরেন্সস এয়ারক্রাফ, হেলিকোপ্টর কয়ামরুম, য়ু এ ভি (দ্রোন)শিং অমসুং গ্রাউন্দ ট্রুপশিংনফাওবা প্লেন অদু ফংনবা থিব–হুম্বগী থবকশিং চখরি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা প্লেন অদুদা তোংখিবা এয়ার– ৱারিয়রশিং অদু ফংনবা হোৎনবা য়াবা থবক অমত্তা খাত্তঃনা হোৎনরক্লি। ঐখোয়না খুদোঙথিরবা মতম অসিদা ইমূং–মনূংশিং অদুগা অমত্তা ওইনা লেপ্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা এয়ার ফোর্সনা হায়খি।

# পাকিস্তানদা রেইদ চখ্তদুনা কাউন্টর টেরোরিজম দিপার্টমেন্টনা টেরোরিষ্ট ৩ ফাখ্রে



***মুলটান, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** কাউন্টর–টেরোরিজম দিপার্টমেন্ট (সি টি দি), মুলটাননা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী খাইরা চোক মনাক্তা চখখিবা রেইদ অমদা টেরোরিষ্টনি চীংনবা মীওই ৩ ফারে হায়না এ আর ৱাই ন্যুজনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ফারবা মীওইশিং অদুদি বসিত, নাসির, ঘুলাম হুসেন কৌই। ফারবা মীওই ৩ অদুদগী এক্সপ্লোসিবশিং অমসুং শেন খরসু সি টি দি টিমনা ফংখি।

মীওইশিং অদুনা মুলটানদা মরুওইবা গভর্ণমেন্ট ইনষ্টোলেসনশিংদা এটেক চখনবগী থৌরাং তৌরম্বনি হায়না সি টি দি লিখুলশিংনা হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদু মচিন হংনবগীদমক ফোঙদোক্তবা মফম অমদা পুখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

# পাক এয়ারলাইন্স ফ্লাইটতা পেসেঞ্জর অমনা শোয়দুনা ইমরজেন্সি দোর হাংদোকখ্রে




***ইস্লামাবাদ, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** য়ুনাইটেদ কিংদমগী মাঞ্চেষ্টর এয়ারপোর্টকী রনৱেদা পাকিস্তান ইন্টরনেসনেল এয়ারলাইন্স (পি আই এ) ফ্লাইট অমগী পেসেঞ্জর অমনা শোয়বদগী ইমরজেন্সি দোর অদু হংদোক্লুবদগী ফ্লাইট অদুদা তোংলিবা পেসেঞ্জর ৪০রোম অদু অমুক কুমথহনখ্রে হায়না নেসনেল কেরিয়র অদুনা হায়খি।

মাঞ্চেষ্টরদগী ইস্লামাবাদতা পাইরক্কদবা পি আই এ ফ্লাইট, পি কে ৭০২ অদু থৌদোক অদুদগী পূং ৭ মতম থেঙথখ্রে।

পেসেঞ্জর অমনা ওন্ন–তৈন্নবা ইমর্জেন্সি একজিট অদু ওইনা হাংদোক্লুবদগী ইমর্জেন্সি চুট অদুসু এক্তিভেট তৌরকপদগী ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা প্লেন অদু পাইরক্কদবা মতম থেঙথখি হায়না পি আই এ ৱাঙাংলোই অমনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি হায়না পাকিস্তানগী নুংতিগী ইংলিস পাউ–চে দোননা হায়খি।

ষ্টেন্দরদ ওপরেটিং প্রোসিদিওর (এস ও পি) মতূং ইন্না পাকিস্তান ইন্টরনেসনেল এয়ারলাইন্সনা পেসেঞ্জর ৪০রোম অমসুং মখোয়গী লগ্গেজ অদু প্লেনগী মপান্দা পুথোক্লককখি হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

প্লেনদগী কুমথহল্লবা পেসেঞ্জরশিং অদু এয়ারলাইন্স অদুনা পুথোক–পুশিন তৌরগা হোটেলদা লৈহনখি। মখোয়বু মথংগী ফ্লাইটতা তোঙহনখিনবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা পি এম মোদিগী ফ্লাইট মখোয়গী এয়ারস্পেস ফাওদুনা পাইবা য়াহন্নবা হায়জখ্রে ঃ রিপোর্ট

***ন্যু দিল্লি, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) সম্মিট জুন ১৩ অমসুং ১৪দা য়াওরুগদবা কিরজিষ্টানগী বীশকেকতা চৎনবগীদমক পাকিস্তানগী এয়ারস্পেস ফাওদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী প্লেন অদু পাইবা য়াহন্নবা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা হায়জখ্রে হায়না সেনিয়ার গভর্ণমেন্ট ওফিসার অমনা পাউগী এজেন্সি পি টি আইনা ফোঙদোকখ্রে।

বালাকোটতা লৈবা জৈশ–ই–মোহম্মেদ (জে ই এম) টেরর কেম্পতা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা এটেক অমা চখখিবগী মতূং ফেব্রুৱারি ২৩দগী পাকিস্তাননা মখোয়গী এয়ারস্পেস মপূং ফানা থিংজিনখি। মদুগী মতূংদগী লৈবাক অসিনা পূন্না রূট ১১গী মনূংদা সুপ্নগী রূট অনীখক হাংদোকখি, অনীমক অদু খা থংবা পাকিস্তান ফাওরগা চৎলি।

ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরগী প্লেন অদু হৌজিক ফাওবা হাংদোক্ত্রিবা রূটশিং অদুগী মনূংদা অমা ফাওদুনা চৎনবা পাকিস্তানদা হায়জখ্রে হায়না সেনিয়ার গভর্ণমেন্ট ওফসিয়েল অমনা হায়খি।

কিরজিষ্টানগী বীশকেকতা মে ২১দা এস সি ও ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম য়াওরুনবা মতমদুগী এক্সটর্নল এফিয়ারস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজবু পাকিস্তান এয়ারস্পেস চপ চানা ফাওদুনা পাইনবা পাকিস্তাননা স্পিসিয়েল পর্মিসন পীখি।

বালাকোট এয়ারষ্টাইক অদুগী মতূংদা ইন্দিয়ান এয়ারস্পেসতা মতম খরগী ওইনা থমখিবা অথীংবা পূন্নমক অদু লৌথোক্লে হায়না আই এ এফনা মে ৩১দা লাওথোকখি। অদুম ওইনমক মদুগা মান্ননা পাকিস্তাননা থবক চখরক্তরবদি অমসুং মখোয়গী এয়ারস্পেস পূন্নমক হাংদোকত্রবদি ইন্দিয়াগী নাকন্দগী লৌরিবা খোঙথাং অদুনা কম্মর্সিয়েল এয়ারলাইনরশিংদা করিমত্তা কান্নদবা য়াই।

পাকিস্তানগী এয়ারস্পেস থিঙজিনখিবা অদুনা ইন্দিয়ান এয়ারলাইন্সশিংগী মনুংদা এয়ার ইন্দি অমসুং ইন্দিগোগী ইন্টরনেসনেল ওপরেসনশিংদা শোকহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিগোনা দিল্লিদগী ইষ্টানবুলদা দাইরেক ফ্লাইটশিং তৌবা ঙমদনা লৈরক্লি। লো–কোষ্ট কেরিয়র অসিনা চহী অসিগী মার্চতগী দিল্লি – ইষ্টানবুল ফ্লাইট হৌখিবনি।

হৌজিক এয়ারলাইন্স অসিগী ফ্লাইট খুদিংমক অরাবিয়ান সি মথক্তা পাইদুনা কাটারগী দোহাদা নৎত্রগা গুজরাতকী অহমেদাবাদতা রিফুয়েলিংগীদমক অমুক–অমুক লেপ্পা তারি অমসুং হেন্না শাংবা রূট অমা চৎকদৌরি।

মসিগা মান্ননা ফুল সাভির্স কেরিয়র এয়ার ইন্দিয়ানা দিল্লিদগী য়ু এসতা নন–ষ্টোপ ফ্লাইটশিং পাইবসু ঙমদনা লৈরি। মসি পাকিস্তানগী এয়ারস্পেস থিঙজিন্দুনা থমখিবা মরম অদুদগীনি।

# অচৌবা মিলিটরি পেরেদকা লোয়ননা ক্বুইন এলিজাবেথ–২, ৯৩শুবা মপোক নুমিৎ পাংথোকখ্রে



***লন্দন, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** হৌখিবা এপ্রিল ২১দা য়ুনাইটেদ কিংদমগী ক্বুইন এলিজাবেথ–২না মাগী ৯৩ শুবা মপোক নুমিৎ পাংথোকখ্রবা মতূংদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা লন্দনদা মহাক্কী ওফিসিয়েল ওইবা মপোক নুমিৎ থৌরম পাংথোকখ্রে।

ক্বুইন এলিজাবেথ–২ এপ্রিল ২১, ১৯২৬তা পোকখি। নিংথৌকোলগী মীওইশিংগা লোয়ননা মহাক্না মাগী মপোক নুমিৎ থৌরম লন্নাই ওইনা পাংথোকখ্রে।

পিপল মেগাজিনগী মতূং ইন্না ইষ্টর সন্দেদা মহাক্কী মপোক নুমিৎসু তাবা মরমদগী মহাক্না মাগী ইমূংগা লোয়ননা রোয়ল চর্চ সার্ভিসতসু শরুক য়াখি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা হৌজিকসু লৈঙাক পায়রিবা বৃটিস মোনার্ক অসিগী ওফিসিয়েল মপোক নুমিৎ থৌরমদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ট্রুপ্পিং ওফ দ কল্লর হায়না খঙনবা অচৌবা পেরেদ অমা পাংথোককখি। নুমিৎ অসিগীদমক গ্রীন পার্কতগী অমসুং অতোপ্পা টৱার ওফ লন্দনদগী ৪১– গন সেলুট অমা পীখি। ক্বুইন অসিনা মহাক্কী ট্রুপশিং ইনস্পেকসন অমসু তৌখি।

# অঙাং হাৎখিবগী ইরাংদগী থম্বা অথিঙবা থুগাইবগীদমক ৫ ফাখ্রে

***আলিগড়, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** আলিগড়গী তপ্পাল এরিয়াদা সুপ্নগী চহী ২মখাইদা শুরীবী নুপী মচা অমা তমথিবা মওংদা হাৎলমখিবা অদুগী মতাংদগী মীয়ামগী অশাওবা হেনগৎলকখিবা মরমদগী ওথোরিটিজনা থম্বা অথিঙবা হুকুম থুগাইবগীদমক ঙসি মীওই ৫ ফাখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা ‘মহাপঞ্চায়ত’ অমা পাংথোক্লবা মেসেজ লাকপদগী মফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সব–দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেটশিং য়াওনা সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংনা শেন্নদুনা লৈখি। মসিগী মথক্তা প্রোভিন্সিয়েল আর্ম কন্ষ্টেবুলারি (পি এ সি) অমসুং রেপিদ এক্সন ফোর্স (আই এ এফ)কী কন্টিজেন্টশিং থাজিন্দুনা ঙাকশেলহনখি।

লৈখিদ্রবী অঙাং অদুগী য়ুমগী মিটর ২০০গী অকোইবদা পুলিসনা মীয়াম চংবা থিঙখি। ঙসি অঙনবদা হীংশা থোকপা য়াবগী পাখৎনবা মরক্তা মীয়ামদা থাজবা পীনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফ্লেগ মার্চ অমা চৎখি।

পি এ সি অমসুং আর এ এফকী কম্পেনি অনী পুলিসকা লোয়ননা মফম অদুদা ঙাক–শেলহনখি। মরকসিদা হিন্দুগী লূপশিংগী মেম্বরশিং য়াওনা মীওই ১০০ রোম হেনবনা মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি অমসুং মরান লৈবশিংবু শিবগী চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখি।

অঙাং নুপীমচা অদুগী মপাগা শেন তোনবগী মতাংদা জাহীদ কৌবা মীওই অমগা খৎনখিবদগী লমন খুম্বগী ক্রাইমদা নুপীমচা অদুবু ফাখিবা অমসুং হাৎখিবা অদুগীদমক মরুওইনা চেন্নরি জাহীদ, মাগী নুপী অমসুং মাগী লোয়নবা অস্লাম য়াওনা মীওই ৪ ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মীহাৎ অদু থিজিন্নবা উত্তর প্রদেশ পুলিসনা ইরাই নুমিৎতা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেমখ্রে।

# –৬০ দিগ্রী সিয়াচেনদা নুঙথংনা থোম্বদা য়েরুম কায়দ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৯(এজেন্সি)ঃ*** উনগী নুংশিৎ শিৎপনা ঈংখ্রবা অমসুং অচীকপা নাইতোম ওইনা লৈবা মফম অমদা ফমজিল্লবা চান– থক্লবশিং মরুওইনা উহৈগী বোক্সশিং, য়েরুমশিং অমসুং মনা–মশীংশিং অকনবা উনমুক কল্লবশিং অদু মীওই ৩না উন্না য়োমশিল্লিবদু লৌথোক্লবা হোৎনখি।

য়ান্না তমথিবা লম্মিৎ–তুম্মিৎ অমদা লৈবগী শীংনবশিং অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা মখোয়না চানবা পোৎলমশিং অদুদা নুঙথংনা হন্না হন্না থুগাইনবা কয়ারক হন্না থাখি।

মসি সর্ভাইবেল দ্রামা ফিল্ম অমদগী লৌথোকপা সিন নৎতে, অদুবু মসি হিমালয়াগী চীংদোনদা সিয়াচেনদা পোষ্টিং লৈবা ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্মীশিংনা নুমিৎ খুদিংগী মায়োক্লরিবা ওন্থোক্লা খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা ফিভমশিং উৎপা ভিদিও অমনি।

ভিদিও অদুদা হায়–ওলটিচুদ বেজ অদুদা ফমজিল্লবা চান–থক্লবশিং অদু শীজিন্নবা য়ানবা মখোয়না করন্না অৱাবা মায়োক্লরি হায়বদু লান্মী ৩ অদুনা উৎখি। ভিদিও অদু সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকখ্রে।

ভিদিও অদুগী অহৌবদা লান্মী অমনা বোক্স অদুগী মনূংদা চেক অমগা মান্ননা কন্না ফমজিল্লবা হৈ–মহি অদু খঙহন্নবা বোক্স অদু হাংদোকই। অদুদগী অতোপ্পা লান্মী অমনা ফমজিন্দুনা চেকমুক কল্লবা হৈ–মহি অদু নুংথং অমনা থুগাইনবা হোৎনৈ। অদুবু হৈ–মহি অদু কায়খিদে।

মদুগী মতূংদা লান্মীশিং অদুনা অমুক নুঙগা চপ মান্ননা কন্না ফমজিল্লবা য়েরুমশিং নুঙথংনা থোমদুনা থুগাইনবা হোৎনখি।

লান্মী অমনা য়েরুমশিং অদু নুংপাক অমদা হেক ঙমজবা মখৈ শাফু কন্না থোমজিনখি। মদুদসু য়েরুম অদু করিসু মপোপ কায়খিদে। মসিগী য়েরুমশিং অসি গ্লেসিয়র অমদা ফংবা য়েরুমগী মখননি হায়না লান্মী অমনা ফাগি তৌরকখি অমসুং মদুদা মাগী মমান্নবশিংনা নোকখি।

মতৌ অসিগা মান্না মখোয়না মাইনস ৭০ দিগ্রী য়ৌনা নেম্লবা টেম্পরেচর অদুদা তিলহৌশিং, খামেন অশিনবশিং, শিং অমসুং আলুশিং থুগাইনবা হোৎনখি। অসুক য়ৌনা ঈংলবা মফম অসিদা পূন্সি অসিদি নরকনি হায়না লান্মী অমা হায়খি।

লন্মীশিং অদুগী ভিদিও অদু ত্বিটরদা পাকশন্না য়েঙনখ্রে অমসুং মীয়ান্না লান্মীশিং অদুগী মফমদা মখোয়গী খাংবা ঙম্বা অমসুং মথৌনা অদুদা সেলুট তৌখ্রে।

সিয়াচেনদা মী অমনা লৈবা হায়বসি কনাগুম্বা অমগী ৱাখলনা লামশিনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রে।

ইচম চমনা হৱাইগী ইনছাং অমা থোংবা অমসুং চাক থোংবা ফাওবা মফম অসিদদি অরুবা থবক অমা ওইরি। ইন্দিয়ান আর্মিগী সিয়াচেন বেজ–কেম্প অসি চাংচৎতা ফুট ২০,০০০গী অৱাংবদা লৈ। মসি মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না ঈংবা লানফমশিংগী মনূংদগী অমনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-147**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | | 8 | | | | 4 | 7 |
| 1 | | 8 | | 5 | | | 3 | |
| | 7 | 2 | | | 1 | | 5 | |
| | 3 | | 1 | 8 | | | 6 | |
| | | | 7 | | | 2 | 1 | 3 |
| 6 | | | | | 2 | | 7 | 8 |
| 7 | 8 | | | 1 | 6 | | | |
| | | 1 | | | 3 | 7 | | |
| | 6 | | 5 | | | 3 | 2 | |

**সনা–সুদোকু – ১৪৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 4 | 7 | 8 | 1 | 2 | 9 | 5 | 3 |
| 3 | 8 | 5 | 7 | 9 | 4 | 1 | 6 | 2 |
| 1 | 2 | 9 | 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 8 |
| 7 | 1 | 3 | 4 | 8 | 6 | 2 | 9 | 5 |
| 4 | 5 | 2 | 1 | 3 | 9 | 7 | 8 | 6 |
| 8 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 | 3 | 4 | 1 |
| 9 | 6 | 1 | 5 | 7 | 3 | 8 | 2 | 4 |
| 5 | 3 | 4 | 9 | 2 | 8 | 6 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 8 | 6 | 4 | 1 | 5 | 3 | 9 |